HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ



গভর্ণর লা গনেসননা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা ১০ কিলোলিটর লিক্যুদ মেদিকেল ওক্সিজেন প্লান্ট ২ শঙ্গাখিবা

দেঙ্গি রিইনফেক্সন : মীওই অমদা দেঙ্গি লায়না অনীরক নাবা য়াবরা?
☛ লামায় ২

এম সী এস সী সী (প্রিলিমস) এগজাম, ২০১৯ পাঙথোক্লবা হোৎনবীয়ু
☛ লামায় ৩

দ্রাইভ চথদুনা উচেক লাং ১৫ ফাগৎখ্রে
☛ লামায় ৬

অঙাং মরিমক অপোকপা মপানা হাংখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনরি
☛ লামায় ৮

ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎপু শৌগৎলদুনা বি জে পিদা য়াওরক্লবশিংবু শকখঙ মায়খঙনবা গেট টুগেদরগী থৌরম পাঙথোকখিবা



Vol. 45, Issue No. 246 | য়ূমশকৈশা, হিয়াঙ্গৈগী ২৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, December 01, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

**অ ঈং-অশাগী পাউ**

খ্বাইদগী শাবা ২৮.৭৬°C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৮.৬৬°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.৩৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৫

**HL Poll**

Q: MUgi B Ed entrance examinationgi question leak oikhibana maheikol asibu hamuk teisinba oina thokloi khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Non-Local singna ILP pairamdaba amasung renew touramdaba asi system asibu chatnahallakpada ahoba kaya leire haibada langadra?

Yes 60% No 40%

**অস! লোইরেহে!**

- মোই পাবুং ফিরাল ফূক্লিবা করিগীনো?



- মসি সুম য়ুংশিল্লবদি অমগী লাকপদা ফরক তানি, কোন্না য়ুংসি।

# গভর্ণরনা ওক্সিজেন প্লান্ট ২ শঙ্গাখ্রে

## চীফ মিনিষ্টরনা নোনেদা ফমুং ৫০ লৈগদবা হোস্পিটালগী উরেপ তমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস) : গভর্ণর লা গনেসননা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী জুবিলি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ইন্সটিট্যুট অসিগী কিলোলিটর (কে এল) ১০/১০গী লিক্বীদ মেদিকেল ওক্সিজেন (এল এম ও) প্লান্ট ২ শঙ্গাখ্রে।

ঙসি ওক্সিজেন প্লান্ট অনীসি শঙ্গাবগী থৌরমদা গভর্ণরনা অৱাং নোংপোক রিজনগী মনুংদা অচৌবা মেদিকেল ইন্সটিট্যুট অমসু ওইরিবা রিমসতা ওক্সিজেন প্লান্ট ২ শঙ্গাবসিনা শিংথানবা য়াবা খুদম অমা ওইরবনি হায়রদুনা হরাওবা ফোঙদোকখি। মহাক্না মফম অদুদা লাক্লিবদু ওক্সিজেন প্লান্ট অনী অসি শঙ্গানবগীখক্তা নত্তে। রিমসনা লৌখৎলক্লিবা শিংথানীংঙাই ওইরবা থবক থৌরমশিংবুসু হেন্না পূক্লিং থৌগৎনবা লাকপনি হায়খি।

রিমস অসি হৌজিক হেল্থ ক্যেরগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা অচৌবা ইন্সটিট্যুসন অমা নোর্থইষ্ট ষ্টেটশিংগী মনুংদা ওইবদা নত্তনা লৈবাক অসিগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংগসু চাংদম্নবা য়ারক্লিবনি হায়রদুনা রিমসনা হেল্থক্যের সেক্টরদা থৌদাং লৌগদৌরিবা নহা ওইরিবা ডাক্তর অমসুং স্পেসলিষ্ট কয়া পুথোক্লিবা অসি লৈবাক অসিগী ওইনা অচৌবা থবকনি হায়খি।

রিমস অসি অহানবা হৌদোরকপদা রিজনেল মেদিকেল কোলেজ হায়দুনা হৌদোরকখ্রবসু মতম অদুদগী হৌনা হেল্থক্যের ইন্সটিট্যুট অমা ওইনা শিংথানদুনা লাক্লবনি হায়খি।

ডাক্তর অমসুং মেদিকেল মহৈরোয়শিংনা মী অমগী খেন্নবা ফীভমশিং য়েংদনা মথৌ তাবা পেসেন্টশিংদা খম থেংনা লায়েংবগী থবক চত্থগদবনি অমসুং মসিনা লায়েংশঙ অমদা ডাক্তর অমসুং ...মখা লামায় ৩ কলম ২




# হায় কোর্টনা ওক্রম ইবোবীদা বেল পীখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস) : কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টি (সী এল পি) গী লিদরসু ওইরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ওপোজিসন লিদর ওক্রম ইবোবী (৭৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা ও অঙৌবা, থৌবাল অথোকপম মখা লৈকায়দা লৈবনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা এন্টিসিপেটরি বেল নম্বর ৪৫ ওফ ২০২১বু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা মহাকপু এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট (ঈ দি), গুৱাহাটি জোনেল ওফিসনা কষ্টদিএল ইন্টরোগেসন তৌবগী মথৌ তাদে হায়রদুনা বেল পীখ্রে।

বেল অসি মণিপুরগী ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন পুলিস ষ্টেসননা মার্চ ২৪, ২০১৮দা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস এফ আই আর নম্বর ৫ (৩) ২০১৮গী মতুংইন্না এনফোর্সমেনন্ট দিরেক্টোরেটকী গুৱাহাটি জোনেল ওফিসনসু মার্চ ১৬, ২০২০দা কেস নম্বর ঈ সী আই আর - ০২/জি দব্লিয়ু জেদ ও/২০২০ রেজিষ্টর তৌদুনা ও ইবোবীগী মথক্তা লৌখৎলকখিবনি।

মণিপুরগী ভি এন্দ এ সী পুলিস ষ্টেসনগী কেস অদু প্রিভেন্সন ওফ ...মখা লামায় ৩ কলম ২







ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫